# মোহম্মদ সলাহগী অমত্তা ঙাইরবা গোলনা লিভরপুলবু প্রীমিয়র লীগ টেবলগী মকোক ইথং থংনা লৈহনখ্রে

লিভরপুল, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) ঃ
মোহম্মদ সলাহনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোলনা লিভরপুল প্রীমিয়র লীগ টেবলগী মকোক ইথং থংনা লৈবা ঙমখ্রে। হৌখিবা মতমশিংদা ঙমখিদ্রবসু লিভরপুলনা হন্দক্তি য়াম্না ঙন্না প্রীমিয়র লীগ টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি।



লিভরপুলনা মখোয়গী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙরাং এনফিল্ডদা ব্রাইটনগা শান্নখিবনি। মেচ অদু হৌরকপদা লিভরপুল অমসুং ব্রাইটন লম্বা চানা শান্নবগী মমি তাখি। অদুবু অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা মোহম্মদ সলাহনা গোল অমা চল্লগা লিভরপুলবু মাঙজিল থাহনবতা নত্তনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। লিভরপুলনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লনবা ব্রাইটনগী মায়কৈদগীসু য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল অদু ব্রাইটননা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা ব্রাইটনগী মায়কৈদগী হান্না শান্নরম্বা মওং মতৌদা অহোংবা কয়া লৈরকখি। মসিদসু নত্তনা মেচ অদু মায়থীবা নংদনবা লিভরপুলগী গোল হন্দোক্তবা য়াদে হায়দুনা কন্না শান্নখি। লিভরপুলনসু অহেনবা গোল চন্ননবা মখা তানা এটেক চথুরকখি অমদি ব্রাইটনগী মায়কৈন্দগী গোল হন্দোক্লনবা চথুরকখিবা এটেকশিং অদুসু নীংথীনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা ব্রাইটননা গোল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা লিভরপুলনা মেচ অদু গোল ১-০ দা মায় পাকখি।

লিভরপুল অমসুং ব্রাইটননা শান্নখিবা মেচ অদুগী অয়াম্বা মতমদা লিভরপুলনা বোল পায়দুনা লৈখি। চাদা ৭১ গী লিভরপুলনা বোল পায়খি। গোল ওন্থোকপা য়াবা সোট ৮ কাওবগী খুদোংচাবসু ফংখি। অদুগা কোর্নর কিক ৮ সু কাওখি। অদুমকপু চাদা ২৯ খক বোল পায়খিবা ব্রাইটননা গোল চনবা য়াবা সোট অনীখক কাওবগী তাঙ্গা ফংবতা নত্তনা কোর্নর কিক ৫ কাওখি।

প্রীমিয়র লীগ অসিদা লিভরপুলনা হৌজিক ফাওবদা পূন্না মেচ ৩ শান্নবদা মেচ ৩ মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৯ ফংদুনা টেবলগী মকোক ইথং থংনা লৈরি। মখোয়না ঙসি ফাওবা শান্নখিবা মেচ অহুম অসিদা মায়োক্লবা টিমশিংনা গোল অমত্তা চলহনদ্রি। অদুমকপু মখোয়না মায়োক্লবা টিমশিংগী মথক্তদি হৌজিক ফাওবদা পূন্না গোল ৭ চনবা ঙমখ্রে। পোইন্ট টেবল অসিদা মেচ ৩/৩ শান্নখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটি অমদি বোর্নমাউথনা পোইন্ট ৭/৭ ফংলগা ২ শুবা অমসুং ৩ শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৭

১। মণিপুর টাউন ক্লব ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী মমীং চৎপা হোকি অমসুং ফুটবোল শান্নবদা মকোক ওইখিবা ক্লবনি। ক্লব অসি লীংখৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নুপা অদু কনানো?

২। মহাক বেলারুসকী নেসনল লেজিষ্টলেচর ওইদ্রিঙৈদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা ওইরম্মী। মহাক ওলেম্পিক অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো?

৩। মহাক এসিয়ন গেমসতা ফুটবোল শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারুবদা মেচ অনীখক্তং শান্নবা ফংখি। ফাইনেল শান্নবদা য়াওবা ফংখিদে। হন্দক্তা পাউমী অমদা মহাক্না হায়খিবদি "ঐনা ফাইনেল শান্নবদা শরুক য়াবা ফংদ্রবসু মদুনা (এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ারুবা) ঐগী খ্বাইদগী চাউবা মীৎকুপ অমনি অমসুং ঐগী নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে"। সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয় ১৬কী মনুংদা অমা ওইখিবা খা থংবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। মহাক ইরাক্কী মহুৎ শিন্দুনা মেক্সিকো ওলেম্পিক্কী সাইকল লমজেলদা শরুক য়ারুবদা পোজিসন অমত্তা ফংখিদে। মহাক্না অমেরিকাদা মীতোপ (অতোপ্পা লৈবাক্কী মী) ১০০০ হেন্না আইনগী ৱাংমদা লোন্না পুশিনবগী (Immigrant Smuggling) ফাদুনা চহী ১৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। সাইকল থৌবা অদুগী মমিং হায়য়ু।



৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।



# জালেশ থৌদামনা অহানবা, এলেক্স খুন্দোংবমনা ২ শুবা অমসুং নুংশিথোই ঙাইরাংবমনা ৩ শুবা পোজিসন তাখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ কংলৈ চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা পাঙথোকপা ১৯ শুবা অন্দর ১৫ ওপন সেটরদে এন্দ সন্দে রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮ দা জালেশ থৌদামনা অহানবা, এলেক্স খুন্দোংবমনা অনীশুবা অমসুং নুংশিথোই ঙাইরাংবমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল ষ্টেন্দিংসতা জালেশ থৌদামনা পোইন্ট ৪ ফংলগা অহানবা পোজিসন তাখিবনি। অদুগা এলেক্স খুন্দোংবম অমসুং নুংশিথোই ঙাইরাংবমনা পোইন্ট ৩/৩ ফংলগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি। ক্ষেত্রিময়ুম এমসনসু পোইন্ট ৩ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন তাখি। দয়ানন্দ থৌদাম, মাইবম য়োহেনবা খুমন, থোকচোম প্রিতি, থোকচোম করুনা, তখেল্লম্বম সেমসন অমসুং লনচেনবী ঙাইরাংবমনা পোইন্ট ২/২ ফংলগা মথংশিংনা মঙাশুবা, তরুকশুবা, তরেৎশুবা, নিপানশুবা, মাপনশুবা অমসুং ১০ শুবা পোজিসন তাখি। খুমন আইনষ্টাইন মাইবম, খুয়ুমথেম পেত্রিক অমসুং থোকচোম দেবন্তনা পোইন্ট ১/১ ফংলগা মথংশিংনা ১১ শুবা, ১২ শুবা অমসুং ১৩ শুবা পোজিসন তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা এলেক্স খুন্দোংবমনা তখেল্লম্বম সেমসন, নুংশিথোই ঙাইরাংবমনা খুয়ুমথেম পেত্রিক, জালেশ থৌদামনা থোকচোম প্রিতি, দয়ানন্দ থৌদামনা থোকচোম করুনা, ক্ষেত্রিময়ুম এমসননা খুয়ুমথেম দাইনা, খুমন আইনষ্টাইন মাইবমনা লনচেনবী ঙাইরাংবম অমসুং মাইবম য়োহেনবা খুমননা থোকচোম দেবন্তবু মায়থীবা পীখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল রাউন্দদনা জালেশ থৌদামনা এলেক্স খুন্দোংবম, নুংশিথোই ঙাইরাংবমনা মাইবম য়োহেনবা খুমন, ক্ষেত্রিময়ুম এম সননা লনচেনবী ঙাইরাংবম, দয়ানন্দ থোকচোমনা খুমন আইনষ্টাইন মাইবম, থোকচোম প্রিতিনা খুয়ুমথেম পেত্রিক, থোকচোম করুনানা থোকচোম দেবন্ত অমসুং তখেল্লম্বম সেমসননা খুয়ুমথেম দাইনাবু মায়থীবা পীখিবনি।

# অরিনা সবালেনকানা কার্লা স্বারেজ নভারোবু মায়থীবা পীরম্লগা কনেক্টিকট ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

ন্যু হাবেন, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী)ঃ বেলারসকী নহা ওইরিবী অরিনা সবালেনকানা স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারোবু মায়থীবা পীরম্লগা অহানবা ওইনা কনেক্টিকট ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে।



য়ু এস এগী ন্যু হাবেন সিটিদা চথুরকখিবা কনেক্টিকট ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটলগীদমক বেলারসতগী মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী অরিনা সবালেনকা অমসুং স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নাভারোনা ফাইনেল মেচ শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদুদা অরিনা সবালেনকানা এক্সপিরিএন্স লৈরবা কার্লা স্বারেজ নভারোবু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরম্লগা কনেক্টিকট ওপনগী টাইটল লৌখিবনি।

য়ু এস ওপনগী মাঙওইননা অরিনা সবালেনকানা কনেক্টিকট ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনা মহাক্না ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী ২৫ শুবদা লৈরম্বা অদু ২০ শুবা মফমদা হাইগৎলগা লৈবসু ঙমখ্রে। সবালেনকানা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী টোপ ২০ গী মনুং চনবা ঙম্বা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

মথং চয়োলদগী হৌগদৌরিবা য়ু এস ওপন অসিদা অরিনা সবালেনকানা অহানবা রাউন্দদা অমেরিকাগী দেনিএল কোলিন্সকা থেংগাইনগনি। অদুগা ৩০ শুবা সীদতা লৈরিবা স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারোনা য়ু এস ওপনগী অহানবা রাউন্দদা অমেরিকান ক্বালিফাইর নিকোল গিবসকা থেংগাইনগনি।

ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্লবা মতুংদা অরিনা সবালেনকানা হায়খি, ফাইনেল মেচ অসিগী অহানবা সেটতা ঐহাক্কী অহানবা সর্ভিস য়াম্না ফজবা ওইখিদে। ঐহাক্না কার্লা স্বারেজপু প্রেসর পীনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। মেচ অদু মীয়াম্না য়েংবা নৎত্রগা য়েংখিদবদি খঙদে অদুমকপু কার্লা স্বারেজনা য়াম্না ফজনদি শান্নখি। মমাঙদা শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংগী ফাইনেল মেচতা মায়থীখ্রবসু ঙসিগী মেচ অসিদদি মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈখি। মেচ অসিদা মায় পাকপা ঙমখিবা অসিনা মখা তাবা টুর্নামেন্ট-শিংদা মায় পাকহন্নবগী থৌনা অমসু পীরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইবোচাম্বীনা লৈখিদবদা মণিপুর কাঙ এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ কাঙ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মেম্বর ওইরম্বতা নত্তনা কাঙ মশান্না কয়াগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংদা মতম শাংনা শরুক য়ারম্বা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা চিরোম ইবোচাম্বীনা মশাগী অনাবা অমদগী ইখঙ-খঙহৌদনা হৌখিবা থা অসিগী ১৮ থৱানগী ৮ নি পানবা থাংজ নুমিৎতা তাইবং মপুগী খুয়াদা চঙজদুনা অরোইবা য়াহিপ তানখিবদা মণিপুর কাঙ এসোসিএসন (এম এ কে এ) না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চিরোম ইবোচাম্বী লৈখিদবদা মণিপুর কাঙ এসোসিএসননা ঙসি এসোসিএসন অসিগী হোলদা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। চিরোম ইবোচাম্বী সিংহনা হিংলিঙৈদা লাই হাক্তক্তগী লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরগা কাঙগী মশান্নবু মালেমগী ফম্বাক্তা মশেক মঙাল নাইনা লৈনবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাংশিংদা নত্তনা ষ্টেট লেভেলগী অমদি নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা কাঙ টুর্নামেন্টশিংদা মশাগী লৈজবা পূম্বা কৎথোক্তুনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্ববু ঙসিগী ফমখিবা মীফম অদুদা নীংশিংবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা-চিক্না লৈহনবীনবা তাইবং শেম্বা মপুগী খুয়াদা থৌনিজরি হায়না মণিপুর কাঙ এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ঈ সোভানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ১১ শুবা মিষ্টর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসি-এসনগী লমজিং মখাদা লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টর (এল এল এ এফ সী) কৈনৌনা শীন্দুনা ১১ শুবা মিষ্টর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, ৪ শুবা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ মিষ্টর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং অনীশুবা মিষ্টর মেন ফিজিক ফার্ষ্ট মাষ্টর অমসুং ফার্ষ্ট ৱুমেন বিকিনি ফিটনেস বোদিবিল্ডিং ফিটনেস ২০১৮ কৈনৌ কম্যুনিটি হোল কৈনৌ থোংখাদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৫ দা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা কনটেষ্ট অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শাফবা শান্নরোয় পূম্নমক্না শরুক য়াবীয়ু। কনটেষ্ট অসিগী অকুপ্পা মরোল লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টরদগী খঙবীবা য়াগনি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি কে ঐচ তোম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ইন্দিয়াগী অন্দর ১৬ ফুটবোল টিমনা হেভিৱেট বেসিক্টাসপু মায়থীবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী অন্দর ১৬ ফুটবোল টিমনা ট্রেনিং মেচ অমদা য়ূম্বু ওইখিবা হেভিৱেট বেসিক্টাসপু থাংজ নুমিৎতা মায়থীবা পীখ্রে।

টর্কিদা এক্সপোজর টুর চৎখিবা ইন্দিয়াগী অন্দর ১৬ টিমনা ঙরাং টর্কিশ সাইদ বেসিক্টাসকা শান্নখি। মেচ অদুদা বিক্রম প্রতাপনা ৩ শুবা, ৪০ শুবা অমসুং ৫২ শুবা মিনিটতা গোল ৩ চন্দুনা হেট-ট্রিক লৌখিবা অমদি রোহিৎ দানুনা মেচকী ৮১ শুবা মিনিট অমসুং ভুবনেশনা মেচকী ৮৭ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনা বেসিক্টাসকা শান্নখিবা মেচ অদু য়াম্না লায়না মায় পাকপা ঙমহনখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতম হায়বদি ৩ শুবা মিনিটতা বিক্রমনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল চল্লগা য়াম্না ঙন্না টিম অসিবু মাঙজিল থাহনখি। মসিগী মতুং ইন্দিয়াগী অন্দর ১৬ টিমনা মখা তানা এটেক কয়া চথখি। মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী রিকিনা কাওখিবা ফজরবা সোট অমা বেসিক্টাসকী মায়কৈদগী নীংথীনা ঙাকথোরকখি। অদুমকপু মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা বিক্রম প্রতাপনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা ইন্দিয়াবু গোল ২ মাঙজিল থারগা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা বেসিক্টাসকী মায়কৈদগী গোল অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ইন্দিয়াগী অন্দর ১৬ টিমনা মতম খরা মাঙহনবগী মওংদা শান্নখ্রবসু মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা বিক্রমনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চল্লগা হেট-ট্রিক লৌবতা নত্তনা চাওনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচ লোইগদবা মতম কুইশিল্লক্ত্রবা ৮১ শুবা মিনিটতা রোহিৎ দানুনা ইন্দিয়া অন্দর ১৬ টিমগী মরিশুবা গোল অমুক চনশিনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চনশিল্লকখিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা মেচ অদুগী য়ূম্বু ওইরিবা বেসিক্টাসকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৮৫ শুবা মিনিটতা বেসিক্টাসকী মায়কৈদগী গোল অমা চনশিল্লক্তুনা বেসিক্টাস অমসুং ইন্দিয়া গোল ১-৪ দা লৈহনখি। অদুবু মিনিট ২ খক কান্নরগা মেচকী ৮৭ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী ভুবনেশনা গোল অমগা চনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ইন্দিয়াগী অন্দর ১৬ টিমনা হেল্লগা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা য়ূম্বু ওইরিবা বেসিক্টাস মায়থীবা নংখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অন্দর ১৬ টিমনা মেচ অদু গোল ৫-১ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

এ এফ সী অন্দর ১৬ চেম্পিয়ন্সিপ হৌগদবা থা অমরোমতা ঙাইশিল্লক্লবা মতম অসিদা ইন্দিয়াগী অন্দর ১৬ টিমনা বেসিক্টাসপু চাওনা মায়থীবা পীখিবা অসিনা টিম অসিদা অকনবা থৌনা হাপকৎহনবদা মতেং ওইহনখ্রে হায়রি।

# নেরোকাগী য়ু-১৮, য়ু-১৫, য়ু-১৩ গী শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ক্লবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মণিপুরগী নেরোকা এফ সীগী ওইনা কুমজা ২০১৮-১৯ গী শান্নগদবা ফুটবোলরশিং খনখ্রে।

কুমজা ২০১৮-১৯ গী ওইনা নেরোকা এফ সীগী অন্দর ১৮ টিম, অন্দর ১৫ টিম অমসুং অন্দর ১৩ টিমগী খল্লবা শান্নরোয়শিংগী মমিং সেলেক্সন কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌরক্লবা মতুংদা টেক্নিকেল কম্মিটিনা এপ্রুভ তৌরগা ঙসি লাউথোকখ্রে।

নেরোকা এফ সীগী কুমজা ২০১৮-১৯ গী অন্দর ১৮ টিমগীদমক খল্লবা শান্নরোয় ৩০ অদুদি এল রিভাল্ডো, সিদার্থ রানা, চিংখৈ, ইবুংঙো, লৈশেম্বা, অনন্দ ভত্তচার্য্য, সোমোরেন্দ্রো, এল রাকেশ, লমজিংবা, বেঞ্জামিন, দেবিদ, অর্জুন, নিঙম্বা, য়ারোসোম, জেকিসন, অমরজিৎ, হেনরি, ৱাই সোনম, এ ব্রজমনি, পি প্রিয়ারসন, জেমস, খাইমিন্থাং, টি ঐচ অভিনাস, এন রোনাল্ডো, কে ঐচ নিপামচা, দব্লিয়ু বোরিস, ইন্দ্রজিৎ, জুনজুন বোরা, দব্লিয়ু অথোইবা অমসুং লেল সোংসিরনি।



অন্দর ১৫ টিমগী খল্লে হায়রিবা শান্নরোয়শিং অদুদি নিতিস কুমার রাম, তেনশুবম অলিসন, হরিসন, এন চিংখৈঙানবা, টি ঐচ বাব্লু, কে ঐচ লম্হোইবা, টি ঐচ মিসন, সুরজ কে, ইলাম সঙ্গিৎ, কোন্সম রোজি কুমার, লেলমিনলাল খোংসাই, ও হেম্বা, এন অর্জুন, এন জেকসিম, এল ননাও, বিক্রম, অসুবোই, বেলকি, মুতুম ঙান্থোইবা, এম সুসিল, মোইরাংথেম সোমোকান্তা, এস জেক্সন, লাইরেঞ্জম সুসিল, ওমেঞ্জিৎ তেনশুবম, জানগোহাও খোংসাই, এন জি হাওকিপ, গিবসন, ৱাই অমিৎ, হিদংময়ুম নাওবা অমসুং এন জি জোননি।

অন্দর ১৩ গী খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুনা সনাতোম্বা, বিকি, বোরিস, ঙাসেপ্পম রোনাল্ডো, থোকচোম থৌবা, নোংমাইথেম সনাতোম্বা, নোংমাইথেম ইরিক, টি রোসন, টি ঐচ প্রিয়োবর্ত্ত, য়ুম্নাম জিৎ, এম জি অর্সদ, এম লোরেন্স, লাইশ্রম তরুনকুমার, চুংখাম গোগোচা, দি গাংমৈ, সিতল ওইনাম, ৱাহেংবম দিনেশ, চিংথাম অমরজিৎ, পাওনম গোবিন, য়েন্দ্রেম্বম রোহিৎ, কৈদাংবম রোহিৎ, খুরাইজম শিন্থোইবা, ককচিংতাবম দেবিদ, মোইরাংথেম রোজি, অথোকপম ৱেক্সন, সরাংথেম আরসন, পাথৌ অসেম, এল লালঙম্বা, লৈমপোকপম রোসন অমসুং বোরিস থোকচোমনি।

নেরোকা এফ সীগী খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ২৭ ফাওবগী মমাঙদা নেরোকা এফ সীগী জেনরেল সেক্রেটরি/এস সী ঈ ওদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। শান্নরোয়শিং অসিনা রিপোর্ট তৌবা লাকপা মতমদা মশা মশাগী ওরিজিনেল বর্থ সর্টিফিকেট, পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগ্রাফ, পেরেন্ট ক্লবকী নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট (এন ও সী) অমদি সী আর সীগী কোপি লৈরবদি লোয়নরক্কদবনি হায়না নেরোকা এফ সীগী জোইন্ট সেক্রেটরি য়ুম্নাম বিনোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং কনটেষ্টতা মকোক মথং তাখ্রবা বি বি এ আই দব্লিয়ু দি অমসুং য়ুনাইটেদ জিমগী শাফবশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ
ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) গী মীৎয়েং মখাদা বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট (বি বি এ আই দব্লিয়ু দি) না শীন্দুনা নাওরেমথোং শমুশঙ ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা ব্রিলিয়ন্ট কম্যুনিটি হোলদা হৌখিবা ওগষ্ট ১৩ দা পাঙথোকখিবা ৪ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা তোঙান তোঙানবা কেটিগরিশিংদা মকোক মথং তাখ্রবা অমসুং শরুক য়াখিবা বি বি এ আই দব্লিয়ু দিগী শাফবশিং ঙসি নাওরেমথোংগী খুল্লেম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা বি বি এ আই দব্লিয়ু দি অমসুং য়ুনাইটেদ জিম মণিপুর, নাওরেমথোংনা তরাম্না ওকখ্রে।



ওকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস থম্বাল শর্ম্মা, য়ুনাইটেদ জিম মণিপুর নাওরেমথোংগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ এলেক্স, চান্দেলগী এস পি কামৈ অঙম রামানুশ (আই পি এস) অমদি বি বি এ আই দব্লিয়ু দিগী প্রসিদেন্ট এস জয়চন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মরিশুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং কনটেষ্ট ২০১৮ দা মকোক মথং তাখ্রবা অমসুং শরুক য়াখিবা বি বি এ আই দব্লিয়ু দি অমসুং য়ুনাইটেদ জিম, নাওরেমথোংগী শাফবশিং অদুদি - সিনিয়র কেটিগরিদা এল নেতা অমসুং এস রোবর্ট, মাষ্টর কেটিগরিদা এম অমর, জুনিয়র কেটিগরিদা এম দি সাহবাজ অমদি প্রিয়াঙ্কর, মেন ফিজিক কেটিগরিদা ৱাই বুংবা অমসুং ৱুমেন বোদিবিল্ডিংদা আই কবিতানি।